# অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা কোংগ্রেস দেলিগেসন টিম অমা চৎকদৌরি



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি): নোর্থ ইষ্ট কোংগ্রেস কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কোংগ্রেস দেলিগেসন টিম অমা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগা তাইনবা য়াম্না তোয়না চয়েৎনবশিং থোক্লিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎলগনি হায়না অসামগী এম পিসু ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট কোংগ্রেস কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর প্রদ্যুট বোর্দোলোইনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মরী লৈননা এম পি বোর্দোলোইনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী মনুং চনবা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনানা অরানবা মওংদা লম খোপচিল্লকপদগী নাকল অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোরকপদগী মীশি মীনা ফাওবা য়াওখ্রে। হৌজিকসু অরানবা মওংদা চাইনাগী মায়কৈদগী লম খোপচিন্নবা হোৎনরি হায়বগী রিপোর্ট লৈরি। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চাইনানা অরানবা থবকশিং চখুরে হায়বগী রিপোর্ট লৈরবা ফাওবদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলক্তবনা মরম ওইরগা কোংগ্রেসনা মফম অদুদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্মদি চাইনানা ঙমখৈগী শরুক্তা অরানবা থবকশিং চখুরে হায়রিবা অদুগী মতাংদা ময়েক শেংবা পাউ অমা খঙনিংলি। অদুবু লৈঙাক্কদি হিরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিল্লি। মরী লৈনবা লৈঙাক্না মসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লক্তবনা মরম ওইরগা কোংগ্রেসনা থৌদোক থোক্লিবা মফমশিংদা চত্তুনা মফমদুগী মীয়ামগা উন্নদুনা য়েংশিল্লগনি হায়রি।

চাইনানা অরুনাচল প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা অরানবা মওংদা চঙশিল্লক্লে হায়না অরুনাচল প্রদেশকী বি জে পি এম পি তপির জাওনা পার্লিয়ামেন্টতা ফাওবা পুথোকপা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা সেন্টরগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। মসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌওংনি। মহাক মশাগী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগী মতাংদা অহুল্লকশুবা ওইনা ৱাহং হংখ্রবসু পাউখুমদি ঙসি ফাওবা ফংবা লৈতে হায়রি।



সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মন্ত্রিপুখ্রিনা আই সী আই সী আই ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নদুনা ফোরেষ্ট দিভিজন অসিগী মনুং চনবা মফম ৮ দা শাখিবা স্প্রিং ৱাটর হার্ভেষ্টিং য়ুনিট

# ত্রিপুরা কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে



অগরটালা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী): ত্রিপুরাদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্না ষ্টেট অসিদা তৌনিংবতা তৌরকপা অমদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহল্লক্তবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মীয়াম তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মহুত্তা প্রসিদেন্ট রুল থম্বনা মীয়াম্না হেন্না পাল্লে হায়না ত্রিপুরা কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেস পার্টিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী ওপোজিসন্দা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং ময়ুমদা লৈতানা লৈবা ঙম্নদ্রে অমদি লম্বীদা গাড়ি তোংদুনা চৎপা কিনরে। বি জে পিনা মখোয়গী ওইবা গেং খুৎপুশিং থাদোক্তুনা তৌনিংবতা তৌবনা মরম ওইরগা মীয়াম তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাদা মী অমা ওইবগী নিংতম্বা অমদি দেমোক্রেসি মাঙখ্রে। করম্বা মতমদা শিগদবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রে। ঐ হাৎনবা হোৎনরকখিবা অসি তরেৎলক শুখ্রে হায়না ত্রিপুরা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর সুদিপ রোই বর্মননা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট অসিগী ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পোলিটিকেল রেলিশিং পাঙথোকপা ঙমদ্রে। পোলিটিকেল প্রোটেক্টতা য়াওরিবা ঐখোয়গী থৌমীশিং তাথি তওইনা তৌবা অমদি ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা তমথিনা ফুবগী থৌওং চখুরি হায়খিবগা লোয়ননা করিগুম্বা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদগী ভাইওলেন্সকী কলচর মপুঙ ফানা মুথৎপা পাল্লবদি ত্রিপুরাদা প্রসিদেন্ট রুল শোয়দনা থম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# এম এস পি ইমপ্লিমেন্ট তৌদবগী মতাংদা সেন্টরবু হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদনা লৈরিবা অসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মমান্নবা মমিং লৈরবা ব্যুজিনেসমেন গৌতম অদানিননি হায়না মেঘালয়াগী গর্ভনর সত্যপাল মালিকনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিবু হুন্দুনা ঙাঙখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গভর্ননর সত্য পাল মালিকনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগা কৈদৌনুংদা মুক্কবদা মায় পাকপা ঙল্লোই। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী কান্ননবগীদমক স্কিম কয়া হৌদোল্লকবসু মদুগী কান্নবা অমত্তা লৌমীশিংনা ফংবা ঙমদ্রি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংসু মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদ্রিবা ফাওবা মখোয়গী খোঙজং হনে দাকপা ঙল্লোই। লৈঙাক্না মখোয়গী খোঙজং নমথবা ঙল্লোই। অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংদা অমদি ওফিসরশিংদা তৌবগুম লৌমীশিংদা কিহনবসু ঙল্লোই। মরমদি লৌমীশিংদা কিহন্নবা খুৎলায় অমদি মরম লৈতে। ঈ দি নৎত্রগা সী বি আই থাদুনা লৌমীশিংদা কিহনবসু য়ারোই। মরম অদুনা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মপুঙ ফানা ফংহনগদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম চানা লৌমীশিংদা এম এস পি ফংহন্দ্রবা অমদি অতোপ্পা মখোয়গী ওইবা রাইটশিং ফংহন্দ্রবদি হান্নদগী হেন্না কনবা লৌমীশিংগী ঈহৌ অমা লৈবাক অসিদা শোয়দনা লাক্কনি হায়বসি সেন্টরনা কাউরোইদবনি হায়রি।

# অসাম-অরুনাচল প্রদেশকী য়েৎনরিবা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে

ইটানগর, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী): চহী কয়া চয়েৎনদুনা লাক্লবা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ অনীগী ঙমখৈগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক অনীরকশুবা ওইনা ঙসি অরুনাচল প্রদেশকী নমসাইদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ৱারী শান্নখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা অরুনাচল প্রদেশ দেলিগেসন টিম অদু দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চৌনা মেননা লুচিংখি অদুগা অসামগী দেলিগেসন টিম অদুনা মিনিষ্টর অতুল বোরানা লুচিংখি।

ৱারী শান্নখিবা অদুদা করি করম্বা য়ানখিবশিং পুরকখ্রবগে হায়বদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক হান্না য়ানখিবশিংগী মতুংইন্না চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারোইশিন অমদি শোয়দনা পুরকপা ঙল্লগনি হায়না থাজনরি। হয়েং নুংথিল ৱারী শাবগী থবক অসি লোইশিনগনি হায়রি।

# গ্রেটর ত্রিপালেন্দগী দিমান্দ হান্নদগী হেন্না কনশিনখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি): গ্রেটর ত্রিপালেন্দ অমা শেম্বগী খোঙজং হান্নদগী হেন্না কনশিল্লগনি অমদি হয়েংফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট খুদিংমক্তা টিপ্রা পার্টিনা গ্রেটর ত্রিপালেন্দ তানবগী দিমান্দশিং য়াওবা মেমোরেন্দমশিং পীশিল্লগনি হায়না টিপ্রা পার্টিগী লুচিংবা প্রদ্যোট দেববর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রদ্যোট দেববর্মনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা টিপ্রাগী ব্রাঞ্চ খুদিংমক্না হয়েং মেমোরেন্দম পীশিনবগী থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি। পার্টি অসিগী শেমখিবগী মরুওইবা পান্দমদি গ্রেটর ত্রিপালেন্দ তানবনি। মরম অদুনা হয়েং থাজিনগেদৌরিবা মেমোরেন্দম অসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট য়ৌগদৌরিবনি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা পার্টি অসিনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংবা ঙল্লোই। ত্রিপুরাগী গভর্নরগসু অথুবা মতমদা উনদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানবা শেম শাবা লোইরে হায়না মখা তারি।

# ‘বাংলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দবনা জিহাদকী থবকশিং হেনগৎলক্লি’

ধুব্রি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি): অসামদা জিহাদকা মরী লৈনবা থৌওং কয়া থোকপা হৌরক্লিবা অসি মরুওইনা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দবননি হায়না ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না থৌওং অসিবু খঙশিন্নদবা শাদুনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এ এ এস য়ুনা ফোঙদোকখিবদা, অসামদা জিহাদি অমদি মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌওং কয়া নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। অমদি মপান লৈবাক্তা বেজ তৌবা লালহৌবশিংগী ওইবা থৌওংশিংসু হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি। মরুওইনা ঙমখৈগী শরুক থিংজিন্দবনা মরম ওইরগা অরানবা মওংদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদগী মীওই কয়া চঙশিল্লক্লি। এ এ এস য়ুগী মায়কৈদগী অরানবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা মীওইশিং পুলিস দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা মশক খঙদোক্কবা হোৎনরি। অদুবু ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দ্রবদি মীতোপ চঙলকপদা থিংবা ঙল্লোই হায়রি।



অমরোমদা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকা তাইননা লৈরিবা ধুব্রি এরিয়াদা এ এ এস য়ুগী টিম অমনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। টিম অসিনা পিল্লর নম্বর ১০০১ অমদি ১০৩১ গী পরিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। হায়রিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসিদা শম্বল অমত্তা খাদ্রি। মসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌওং অমনি। ঙমখৈগী শরুক কয়া শম্বল খাদনা লৈরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ষ্টেট অসিদা লালহৌবশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং অতোপ্পা লৈবাক্তগী চঙলকপা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মরুওইনা শম্বল য়াওদনা লৈরিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অথুবা মতমদা শম্বল খাজিন্দ্রবদি এ এ এস য়ুগী মায়কৈদগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি শঙ্কর জ্যোটি বারুৱানা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3622



**ACROSS**

1 Coarse printed cotton cloth (6)
4 Nervous, tense (2,4)
8 Tedium (5)
9 Stop for a time (7)
10 Capable of being dissolved (7)
11 Come in (5)
12 Country of Central America (9)
17 More mature (5)
19 Conflagration (7)
21 Advantage (7)
22 First appearance (5)
23 At a leisurely pace (6)
24 Vanquished (6)

**DOWN**

1 Mark made by folding (6)
2 Wool fat (7)
3 Ascend (5)
5 Savings (4,3)
6 Resided (5)
7 Bear, tolerate (6)
9 Chewing gum flavour (9)
13 Cautious (7)
14 Circus performer (7)
15 Back-handers (6)
16 Putrid (6)
18 Traditional seasonal entertainment (5)
20 Very sweet confection (5)

**Solution 3621**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | L | A | N | ■ | S | P | I | T | E | F | U | L |
| A | ■ | L | ■ | P | ■ | E | ■ | O | ■ | A | ■ | E |
| S | U | P | P | O | R | T | ■ | P | A | N | D | A |
| T | ■ | H | ■ | P | ■ | I | ■ | I | ■ | C | ■ | D |
| I | R | A | T | E | ■ | T | A | C | K | L | E | ■ |
| C | ■ | ■ | ■ | Y | ■ | E | ■ | ■ | ■ | U | ■ | R |
| H | E | B | R | E | W | ■ | G | A | M | B | L | E |
| E | ■ | U | ■ | ■ | ■ | A | ■ | M | ■ | ■ | ■ | C |
| ■ | S | T | R | A | I | T | ■ | B | R | E | A | K |
| C | ■ | C | ■ | S | ■ | H | ■ | U | ■ | A | ■ | L |
| U | H | H | U | H | ■ | O | B | S | E | R | V | E |
| B | ■ | E | ■ | E | ■ | M | ■ | H | ■ | L | ■ | S |
| A | R | R | E | S | T | E | D | ■ | A | Y | E | S |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4023

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | 3 | 4 |
| 6 | | 9 | | | | 5 | 1 | |
| | 2 | | | | | | | |
| 7 | 4 | | | 2 | | 9 | | |
| | | 2 | 8 | 9 | 5 | 4 | | |
| | | 8 | | 7 | | | 6 | 2 |
| | | | | | | | 9 | |
| | 1 | 5 | | | | 7 | | 6 |
| 8 | 9 | | 1 | | | | | |

**Solution-4022**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 4 | 7 | 5 | 1 | 9 | 2 | 3 |
| 7 | 1 | 5 | 3 | 2 | 9 | 8 | 4 | 6 |
| 3 | 2 | 9 | 4 | 8 | 6 | 7 | 1 | 5 |
| 9 | 4 | 7 | 2 | 3 | 5 | 6 | 8 | 1 |
| 5 | 6 | 2 | 1 | 9 | 8 | 3 | 7 | 4 |
| 8 | 3 | 1 | 6 | 7 | 4 | 5 | 9 | 2 |
| 2 | 5 | 6 | 9 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 |
| 1 | 7 | 3 | 8 | 6 | 2 | 4 | 5 | 9 |
| 4 | 9 | 8 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 | 7 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

# EMPLOYMENT NEWS

## APSC RECRUITMENT 2022 FOR 32 FISHERY DEVELOPMENT OFFICER

Assam Public Service Commission Fishery Development Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Fishery Development Officer in Assam Public Service Commission. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 24 September 2022. Candidates can check the latest Assam Public Service Commission Recruitment 2022 Fishery Development Officer Vacancy 2022 details and apply online at the apsc.nic.in/ recruitment 2022 page.

Assam Public Service Commission Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ apsc.nic.in/. Assam Public Service Commission selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of apsc.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Assam Public Service Commission (APSC)
invites applications for recruitment of Fishery Development Officer
Fishery Development Officer
Job Location:
Jawahar Nagar , Guwahati, 781022 Assam
Last Date: 24 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 32 Posts
Assam Public Service Commission (APSC)
Assam Public Service Commission (APSC) Recruitment 2022 Details
Company Assam Public Service Commission
Job Role Fishery Development Officer
Education Requirement
Total Vacancy 32 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 30000 - 110000(Per Month)
Posted on 19 Aug, 2022
Last Date To Apply 24-09-2022
Educational Qualification: B.F.Sc. Degree from any College/University recognized by I.C.A.R. or D.F.Sc. or Master of Science (Fisheries) from C.I.F.E., Mumbai or any other institute of I.C.A.R.
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
30000 - 110000(Per Month)
Age Limit: The candidates should not be less than 21 years of age and not more than 38 years of age as on 01/01/2022.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Fishery Development Officer in APSC.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website apsc.nic.in
Step 2: Click on APSC Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 20 August 2022
Last date for application is: 24 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## TRIPURA STATE ELECTRICITY CORPORATION RECRUITMENT 2022 FOR SENIOR MANAGER

Tripura State Electricity Corporation Ltd Senior Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Senior Manager in Tripura State Electricity Corporation Ltd. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 September 2022. Candidates can check the latest Tripura State Electricity Corporation Ltd Recruitment 2022 Senior Manager Vacancy 2022 details and apply online at the www.tsecl.gov.in/ recruitment 2022 page.

Tripura State Electricity Corporation Ltd Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.tsecl.gov.in/. Tripura State Electricity Corporation Ltd selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at West Tripura. More details of www.tsecl.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL)
invites applications for recruitment of Senior Manager
Senior Manager
Job Location:
Agartala, West Tripura, 799001 Tripura
Last Date: 12 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL)
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL) Recruitment 2022 Details
Company Tripura State Electricity Corporation Ltd
Job Role Senior Manager
Education Requirement MBA, PGDM
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Agartala
Experience 10 - 15 years
Salary Not Disclosed
Posted on 12 Aug, 2022
Last Date To Apply 12-09-2022
Educational Qualification: MBA/PGDM
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Manager in TSECL.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for TSECL Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of TSECL - tsecl.in
Step 2: Here look for the TSECL Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 15 August 2022
Last date for application is: 12 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

